ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, সেপ্টেম্বর ২৩, ২০১৭, ইম্ফাল

৪১ শুবা চহী, ১৭৯ শুবা মশীং

# ইম্ফালদা নাইট লাইফ

## *অনৌবা পুন্সিরোল অমগী মহাও চপ চানা ফংহনসি*

মালেমগী ওইনা টুরিজমগী ময়োল ওইরিবা মফম পুম্নমক্তা নাইট লাইফ (নুমিদাংগী পুন্সিরোল) লৈহনবা থেংনৈ। অয়ূক নুংথিলদা মাগী মাগী তৌগদবা মথৌ তৌনরুরগা নুমিদাংৱাইরমদগীনা নুমিদাং ফাওবা মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিং রেষ্টুরেন্টতা নৎত্রগা বারদা লাক্তুনা অচা-অথক চাবা হায়বসি নুংঙাই-য়াইফবা কাঙবুগীদি তঙাইফদবা অমা ওইনা লৌনৈ। মী য়াম্না কুংনা তাবা অমসুং থবক কন্না শু-নোম্বা মীওই কয়া লৈবা মফমশিংদদি ময়ূমদা চাকখুম পান্দুনা চাক-ঈশিং থোংবগী চৎনবী লৈখিদবা কুইরে। মনাক নকপদা লৈবা অচা-অথক য়োনফমশিং, রেষ্টুরেন্টশিং নৎত্রগা কেফেনচিংবা মফমশিংদগী মখোয়না পাল্লিবা অচা-অথক্কী পোৎলমশিং অদু লৌরগা ময়ূমদা পুশিল্লগা চানবা মীগী মশীংসু য়াম্মী। চহী নৌরিবা অঙাংশিং ফাওবা মহৈ তম্ফমশঙদা চৎলমদাইদা অসিগুম্বা মখলগী হোটেল নৎত্রগা কেফেনচিংবশিং অসিদগী অচা-অথকশিং লৌরগা পীজ-পীথক তৌই। নাকল অমরোমদা য়েংলুরগদি অসিগুম্বা মওং মতৌ অসিগী অফবসু লৈ, ফত্তবসু লৈ। মণিপুরদদি হোটেলদা থোল্লগা নোংফাদোক অচা-অথক চাবা নত্তনা নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক-নুমিদাংগী চান-থক্নবা পোৎলমশিং লৈরগা চাবা হায়বসি য়াম্না তাঙনা থোকই। মরম অদুনা মপান লৈবাক্তা চৎনরিবা মতৌশিং অসিগী ৱারী তাবদা অঙকপা পোল্লবা মীওই কয়াসু য়াওই। অদুবু মণিপুরসু অতৈ লৈবাক্কুম্না বার্থদেগী থৌরম ফাওবা রেষ্টুরেন্টতা পাঙথোক্লবদি য়াওরে। হায়রিবা থৌরম অদুনা মওং চুম্বা নৎত্রগা চুদবা নৎত্রগা খুন্নাইলোনগী মায়োক্তা চথুবা হায়বদুনা অমা ওইরগসু অসিগুম্বা থবক-থৌওংশিং অসি কনানসু থিংবা ঙমদ্রি। মতম অমদা য়ূমদা উসব তৌবা নৎত্রগা চাকচা-হৈজানবদা বামোন নেল্লগা চাক থোংবগী চৎনবী অদুসু হৌজিক্তি বামোন অদুনা ময়ূমদা থোংলগা পুরক্তুনা পীজবগী চৎনবী অমা লাক্লিবা অসিসু অহোংবা মখল অমনি হায়না লৌবা য়াই। শম্না হায়রবদা লৈঙাক্লা নৎত্রগা মীয়াম্না মণিপুর হায়বা অপীকপা ষ্টেট অসি টুরিজমগী ফরবা মফম অমা ওইহনবা য়াগনি হায়না পংহায়দা হায়রগসু করম্বা হীরমদা মণিপুরদা কোয়রক্লনবগী মরুওইবা মরমনো হায়বদুদি ঙসি ফাওবা লেপথোকপদা ৱানা থোকই। মপান লমদগী লম কোয়বা লাক্লিবা মীওইশিংগী পান্দমদি নুংঙাইথোকপনি, পোত্থাবা লাকপনি। মখোয়দা য়াওরক্লিবা শেনফমশিং অদু থনমগে, মখোয়বু নুংঙাইহল্লু, পোত্থাহল্লু হায়বনি। অদুবু মণিপুরীশিংনদি মখোয়দা করি খুদোংচাবা ফংহনবা ঙমগদৌরিবগে হায়বসি চনিং তানা খন্থরগদি টুরিজমগী অফবা মফম অমা ওইহনবা ঙল্লগদ্রা হায়বদুগী পাউখুম লাক্কনি।

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না মণিপুরদসু নাইট লাইফ লৈহনগনি হায়বা লাউথোকখ্রে। মথং থাদগী থবক হৌবা য়াননবা নাইট লাইফতা অচা-অথক য়োনগদবশিংনা লুপা লিশীং ১০গী শেনফম দিপোজিৎ তৌননবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা খঙহনখিবসু লৈখ্রে। হৌজিক্কী ওইনা নাইট লাইফ অসি কংলা পার্ক ময়াদা ওইনা তৌননবা লেপ্লি। নোর্থ এ ও সীদগী পি দল্লিয়ু দিগী ওফিস মমাঙ শ্বাই ফাওবদা নাইট লাইফ অসি শেমগৎলবা য়াই হায়না পান্নরি। নাইট লাইফ অমা লৈহন্ননবা হোৎনবদা চঙবা মচাকশিং অদুদি হৌজিকসু ইহো হোনা উরি। চান-থক্নবা য়োনবা গাড়ী মচা খরা লন্থীগী মতাইদা থারগা য়োনবা অমসুং মদুবু চাবা লাকপা মীওই খরখক তিল্লগা নাইট লাইফকী মহাও ফংগনি হায়বগী ৱাখল্লোনদি লৈতে। লো এন্দ ওর্দরদা পূক্লিংদা মীপাইবা অমত্তা য়াওহন্দবা, নুমিদাং চুপ্পা নিল-খোংদুনা হরাউ-মথোই কাবগী জগোয়-ঈশৈ তৌবা অমসুং নীংথিনা লৈতেংলবা বারশিংদা মখল মখা কয়াগী য়ুঙাং, য়ুঙৌ য়োলহনবা হায়বসি নাইট লাইফকী শরুক অমা ওইনা ঐখোয়না মপান লমদা চৎপদা উবা ফংই। চহী নৌরিবী নুপীমচাশিংদগী হৌরগা মীয়ায় চল্লবী নুপীশিংনা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়োনবা, থৌগল তৌবা, জগোয় শাবনচিংবা তৌরকপদা কনাগুম্বনা মীৎ নাই হায়রক্ত্রবা মতমদুতদা নাইট লাইফ অমগী চপ চাবা মহাও ফংগনি হায়না লৌবা য়াই। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, মণিপুরদা শেমগৎকদৌরিবা নাইট লাইফ অসি করম্বা মখলগীনো হায়বদু হান্না মাঙজৌননা লেপথোল্লগা মীয়ামদা খঙহনবা অমা চঙই। চুম্না মখল খরগী অথোংবা, অতাওবা এঞ্জাং অমদি অতৈ চান-থক্নবা পোৎলম খরখক য়োনবগীদমক্তা মফম অমা পীরগা মদুনা নাইট লাইফ লৈহল্লে হায়বদুদি য়ারোই। অহানবগী ওইনা মফমদুদা সার্ভিস তৌগদৌরিবা নহাশিং অদুদা পীগদৌরিবা খুদোংচাবদি মতিক চানা কষ্টমর লৈহনবদুনি। কষ্টমরশিং অদুনা করি পাম্লি হায়বদু হৌজিক্তগী হৌনা খন্দোল্লগা মসিমখৈদি হাপচিনবা য়াগনি হায়বদুসু চাওরাক্লা লেপথোকফম থোকই। বিয়র ফাওবা য়োনবা য়াহন্দ্রবা, মৈ নিংথিনা থাল্লগা ঙাইহাক্তং জগোয়-ঈশৈ তৌদুনা নুংঙাইথোকপা ঙমহন্দ্রবা, অচা-অথক য়োল্লিবা নৎত্রগা মী তিনগদৌরিবা মফম অদু নোংঙানবগা তরু-তনানবা মফম ওইহন্দ্রগদি নাইট লাইফ লৈহনবগী কান্নবা লৈতে। য়োনগদৌরিবা পোৎলম অমসুং মদুবু চাবা লাক্কদৌরিবা মীশিং অদু অকক্নবা ওইহন্দনবা লৌখৎপা য়াবা থবকশিংসু লৌখৎকদবনি। মরুওইনা মপান লৈবাক্তগী লম কোয়বা লাকপশিংনা খোয়দাবা নাইট লাইফ ওইহন্ননবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা অথিংবা থল্লিবা খরমখৈদি কোমথোকপা য়াব্রা য়েংহন্নীংই।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

## মহৈ লোইশঙদা পূন্না মিৎয়েং অমুক্তং থম্বীয়ু

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**ইরমদম** মণিপুর অসি স্কার কিমি ২২৬৭২ খক্তমক পাক চাওবা, অপূনবা মীশিংনা চীং-তম পূল্লগা ২৮৫৫৭৯৪ খরা হেন্না লৈবা মহৌশাগী ফজবা কয়ানা য়েংবগী পেনবা নাইদবা ইশাগী পোথোক মরাং কয়া কায়জদবা, থবক শূবগী হৈনবী খরা ৱাৎপা, মীওই পুম্নমক মপূগী মপূমক্তা, অচৌবা মীয়াম্থু মথৌ পীবা য়াবা অচৌবা অমদি মচাগী কল-কারখানা অমফাওবা লৈজদবা, লৌউ-শিংঊগী শিনফম্না মপূং ওইবা, লৈত-লায়র কয়ানা মশীং হেন্না লৈবা লম, মপানগী পোৎনা মরুওইনা শীজিন্নবা, মপান্দগী নুমিৎ খরনি পোৎ পুশিনবা লেপ্পদা পোৎকী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংবা, য়েংবদদি মীপুম খুদিং নুংঙাই য়াইফন্না উবা, সহর অমদি খুঙ্গং অনীগী পুন্সি মহিং খেন্নদবা, মনুংদদি শেল থুমগী ফীভম ফবা য়ৌদবা অদুগুম্বা লমদম অমনি। মসিদা চহী অমদা অকীবা ফংনা শেল চংবা লন্নাই স্কুল মচা মচা শেম্নবা শেন্থোক লৈবসু লৈতবসু লন্নাই স্কুলদা হোৎচিন্নরকপা অসিনা শেন্থোক মরাং কায়দবা কয়াগী তুংগী পুন্সিগী লম্বী করি ওইরক্কনি হায়বা অসি ঙসিগী লৈঙাক্লা কূপ্লা খন্থবীদুনা মীচম মীয়ামগী খরতা ওইরবসু য়াইফনবা শিনবা অসি লৈঙাক্কী অচৌবা দায়ত্ব ওইফম থোকই। অসিগুম্বা অসিদগী কোল্লবা লৈঙাক্কী স্কুল অমদি মহৈরোয়গী য়েংদুনা চানবা ওজা থম্বীবা, স্কুল খুদিং লূনা-নান্না শেম্বীবা, মহৈরোয়শিংগী কম্প্যুটর মরাং কায়না থম্বীবা, চয়োল অমগী মনুংদা অমুক্তা ওইরবসু স্কুল য়েংশিনবীবা, লোয়ননা লৈঙাক্লা ওজা লৌবা মতমদা কম্মিসন মবুক শেংবা অমদি শেঞ্জা থুমজা লৈতবা অমা শেম্বীদুনা মথৌ খঙগদবা মচং ওইবা মীওই ঙাক্তা লৌবীদুনা মথৌ তৌহল্লবদি ফত্তবা স্কুল অমৎতা লৈরোই। অদু লইরবদি টেক্স ফ্রি, য়ুনিফোর্ম ফ্রি, ট্যুসন ফ্রি ওইবনা ফবসু ফরবা অদু ওইরবদি মীপুম খুদিংনা তান্নরক্কনি। অসিগুম্না কুমজা ১৯৮০দগী মণিপুর লৈঙাক্লা মশক খঙলবা স্কুল ৬০৫ গ্রান্দ পীবীদুনা চহী ৩৮মুক অসিদা অৱাবা কয়া মায়োক্লহন্দুনা লাক্লিবনি।

অমরোমদা এদেদ ওজাশিং লৈঙাক্কী থবক অমা ফংফম থোকপা ফংনবা বি পি এলগী কার্দ শাবা ফাওবা ওজাগী মমিং থোনজিনবীবনা য়াবিদে, লৈঙাক্লা শীজিন্নবা মতমদনা মীখলগী মতমদা ইলেক্টরেল রোল ইবদা, য়ূমকোক ইবদা মীখলগী মথৌ তৌহনবদা লৈঙাক্কী ওজা অমগা মান্নহল্লি, থবক্লা ময়াম তৌহনবা পৈশানা পীক্লা ফংহনবা, স্কুল অমদা ক্লাস থ্রিদগী টেন ফাওবদা ওজা ১৭, ১৮না পুদ্রবদি ক্লাস শিনবা য়াদে। পৈশা য়াম্না ফংবা য়ানবা ওজা ১০মুক্তা হাপ্পা তারবসু ওজা অমনা পেরদ ৫, ৬ হঞ্জিন হঞ্জিন পুবা তারকপা অদুনা য়াম্বদা এপ্রুভ ওজা অহুমগী সেঙ্কসন্না য়েন্নবদা লুপা ১৫০০দগী ২০০০ ফাওবদং পীবিবা, মসিদা এদেদ স্কুলদা করম্না অফবা ওইরক্কনি। পৈশা খরা পীবা, শঙ খরা শঙ্গাবা অসিনদি য়াংলেন শরূ তেকখ্রবা মীওই খুদিংনা য়েংলগা লৈবা নত্তনা ফগৎপা, চাওখৎপদি ওইথোক্লোই। মরমদি ফজবা দলান মথোল মথোল শারগা লৈহল্লবসু লৈগদৌবা মীওইশিং শুম চাবা অমদি লেংবা ওৎপা ঙমদবা ঙাক্তা লৈহল্লবদি মদুগী নুংঙাইববু করিদা ফংগনি। অদুনা নহা কয়াগী শেমগৎফম ওইরিবা লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল কয়া অসি পৎতুনা পুমদুনা লৈরকপা কুমজা কয়া ফারক্লে। ঙসিগী লৈঙাক্লা লমদম অমগী চঙদবা য়াদ্রবা স্কুল এদ্যুকেসনদা অহেনবা মিৎয়েং চঙবীয়ু। মীখল থেংনগে খনবা খুদিংনা মথংগী ভোট ফংনবা কোক থাদবগী থবক্লা হেন্না পূক্লিং থিংজিনবদি লমদম অমগী কান্নবা পুরকপদি লায়রদনা হেন্না মশা শোনবা তিঞ্জং কায়জংবা ঙাক্তনা মকোন শাদুনা লৈরগনি। অদুনা পৈশা পীদুনা ভোটরশিং হরাউহনবদগীদি মমা ওইবীশিংগা তানরগা মহৈরোয় কয়া শেম্বা ঙম্নবরোমদা হোৎনবনা অহেনবা তুংগী চাওখৎপা লমদম অমগী আশা তৌমিন্নসি হায়বরোমদা পূক্লিং চিংশিনবনা অহেনবা লমদম অমগী আশা তৌনীংঙাই ওইগনি। লৈবাকসিগী থৌ পুবিরিবা খুদিং, পুগে খনবা খুদিংনা ঙসিগী তুংগী মহৈরোয় কয়া শেমগৎফম ওইরিবা মহৈলোইশঙ লায়না লৌবা চুমলোই, লুচিংবশিংনা মহৈ লোইশঙদা পূন্না মিৎয়েং অমুক্তং থম্বীয়ু।

*অদোমগী - এম থম্বৌ সিংহ, সেক্রেটরি, ককচীং খুনৌ মখা হায় স্কুল*

# অহিংদা খোংবী তাম্না নত্তবনিনা!



**নুংঙাইবা** নত্তবা মীনা পাম্বা অমা হায়য়ু। নুংঙাইবা হায়বা পোৎশক অসি নত্তবা তাইবঙ মীনা পাম্বা পোৎশক (পোৎশক হায়রসি) অমা শুকলৈ হেক লৈরমদৌ মান্দ্রে। নুংঙাইনবগী পাম্বৈসু তোঙান তোঙানবা মখল মখল লৈরি। নুংঙাইবা মখল য়াম্বগী মতিক নুংঙাইবা ফংনবা পাম্বৈসু মখল য়াম্না য়ামখ্রে। নুংঙাইবা অমা ফংনবগী পাম্বৈগা নুংঙাইবা অতোপ্পা অমা ফংনবগী পাম্বৈগা মান্নদে।

কনাগুম্বা অমনা দ্রগ লল্লোল্লগা লুপা ক্রোর ক্রোরনা খুজিং ওইরগা তাল্লি। মানা নুংঙাইনবা হোৎনবদা লৈবাক্কী নহা কয়া ময়াই কাবা চিঞ্জাক পীজদুনা, দ্রগ পীজদুনা মশা মউ শোলহন্দুনা, ৱাখল থোকহন্দনা থম্মগা মানা শেল ফংদুনা নুংঙাইজৈ। লৈবাক্কী ওথোরিটিনা মাবু ফাবা, পূনবা ঙমদে। ফারসু কুইদে, মরাল লৈতবদৌনা অদুম নুংঙাইনা লৈনৈ। ফাবা, পুনবা, ৱায়েলশঙ, আইন পুম্নমক মাগী মফমদা য়ূমগুম্বনি। ফাবগা ফাদবগা অন্ধাগী অন্ধানি। মীয়ামদা ফনমক দ্রগ পীজদুনা গুলি পীজদুনা মাঙহল্লবা মীশক অদু জিলা পরিষদকী মীহুৎ অমা ওইনা থোরকপদা মীয়াম্না অদুম হরাউ হরাউ ওক্কনি, মীখল মায় পাক্কনি। ওন্থোক্লা নুংঙাইখ্রবা মপোকনি। মসিগুম্বা মপোক অসি ওইরম্বা তাই ব্রমহানা মী ওইনা পোক্লিংলমদৌরিবসি। অসুম্না ময়াই কাবা চিঞ্জাক লল্লোল্লগা মাগী নুংঙাইবা ফংজৈ, মীরক তিনবা ফংজৈ, মীয়াম্না ইকায়খুম্নবা ফংজৈ, মাগী ৱাখলদা মী অতৈ মাঙবা মাঙদবা মী অতৈ শিবা চঙবা লায়না চেলহৌবা লায়না পকহৌবা হায়বা অসিদি আ লোকখাদা লৈহৌরে। মীয়াম্নসু মাবু দ্রগ লল্লোনবা অমনি হায়দুনা থোইনা লান্না খনবা তিন শিৎপা, মংফমদা অমাংবা তৌশিনবগী ৱাফমসু থোইনা তারোই। খরা লৈরগা মাগী মুর্ত্তি শাদুনা ঈরাৎনবা, মাগী মরমদা মেমোরিয়েল লেকচর তৌবা, মাগী মরমদা বাইওগ্রাফি অমুক ফোঙলগা মীয়াম্থু খ্বাইদগী নুংশিজখিবা সোসিয়েল ৱার্কর, সমাজ সেবক, খুন্নাই থৌগল্লোইনি হায়দুনা অদুম মথং মথং হায়নখ্রনি। মতুংদা লাইরিক লাইসু ইনরকপদা রিফরেন্স পী পীদুনা অমুক ইবা য়াখ্রে। য়াম পীকপা মীসু য়াম চাওহনবা লায়রবা মতম অমা ওইরে।

কনা অমনা লাই-মী (গোদমেন) শারগা মশক মতৌ চঙখোনবী ভক্তলক্তগী খনগৎলগা মাগী নুপী নমওন ওন্থোকপা ঙম্বা মী কয়া থোরক্লি, ইন্দিয়াগী মফম খুদিং মা মাগী নুংঙাইবা ফংনবা পাম্বৈ ওইনা লাইমী শারি।

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা

পাউতাক পীরি মীয়ামদা টেলিভিজন্দা কৌদুনা ৱা ঙাঙহল্লি, দেবষনী শন্দোকহল্লি, মমীৎ উইশন দুনা ভজন শকচন্নদুনা মীয়ামদা নমথাক তৌদুনা নুংঙাইনবা লাক্লে। মী ৬০০ হাৎতুনা লৈনুংদা ফুমজিনবা ঙম্বা মাগীদমক মী ৩৮সু থৱায় থাহনবা ঙল্লবা গুরমীৎ রাম রহিম মনুংদদি নুপীগী ঈখৌদা ঙাওবা, নুপীগী ঈখৌগী মৈচাক্তা শিনি নানি খঙদবা মী ওইরমখি। ফনমক লাই ওন্দুনা মী য়াম্না খুরুম্নরম্বদু হৌজিক্তি জেলদা নোংমগী লুপা ২০ তানবা থবক শূরগা অমুক লেনবা হৌখ্রি। মাগী নুংঙাইজবী খাঙুথক্তা কেমখ্রে। বল্লে, বল্লে ...। মা মশাদং নুংঙাইজবদগী হেন্দোক্তুনা অতৈ মী ময়ামদা অকায়বা তৌরল্লবদি মাগীসু মতমবুদি লাকপজাৎনি।

মাগী মাগী নুংঙাইনবা কনা অমনা শেল চাই, হুরাল্লি, লম্বী শেম্নবা থাদরকপা শেল লম্বী অমত্তা শেমদনা চাথোক্লে। নোং ঙানবদগী নুমিৎ তাফাও ওইদবা ঙাঙলগা মীয়ামগী থম্মোয় নাখোকপা য়ৌনা শুমহৎলগা নুংঙাইজবা মীসু লৈ। থবক্তি তৌদবা, চীন্দমক ঙাঙবা, মৈতৈগী ৱাহৈদা চীন্দা ফজৌ হায়বদুনি, চীন ফরগা লোইরে। মাগী নুংঙাইজবী হায়বদু চীন ফজবা অসি ওইরজাৎলা? চহী অমা চীন ফজবা য়াই। সুম কুইনা চীন্দং ফজবা থবক্তি ইয়াও য়াওরক্তবা মতারগদি মীয়াম্না দিন লেনবীরনু হায়রকপা তাবনি। ৱা অমত্তা ঙাঙদবীদা থবক ঙাক্তা পঙতৌদা তৌবগী নুংঙাইজবী অদু ওইনা হৈনবী থম্বনা ফবা লৈ। চীনগী থবক্তি কুইবা য়ারক্লোই।

কনা অমনা মাগী নুংঙাইজবী ওইনা অহিং চুপ্পা মাইক পাল্লগা লৈকায় তরা লান্না লাঙজরগা নুংঙাইজবা লৈ। লাইরিক লাইসু হৈনরবা, লাঙবগী অশোকপা, অকায়বা, অমাঙবা খঙনরল্লবা মতম অসিদা লাইগীনি। ইনাৎকীনি হায়দুনা অহিংদা মাইক পান দুনা লাউ খোংদুনা ঈশৈ থাদুনা লৈবগী নুংঙাইজবী অসিমদি ইথা থাদোক্লদে।

ইশা ইশাগী নুংঙাইনবা লাক্লবদা ময়াম্থু ৱাহনবা অসিসু লঙজবা অমনি। লাইনসু য়াবীরক্তৌ মান্দে। য়াম্না ঈংনা চীক্লা লাই লাৎলবদি বড় ফংদৌ মাল্লি। চরাঙ চরাঙ খোয়দৌ লাঙহল্লগা তৌবদি লাইদা অকায়বা লঙশিনবনি। হৌজিক্তি অহৌবা খোঞ্জেল য়াওদনা লাইরাৎ থৌনাবনা মী য়াম্বগী অপাম্বনি। লাইবু লাৎচবদি মীওইবনা শোয়ফদ্রবা থৌদাংনি। কা হেন্না লাঙলবদি লাই লাৎপা অসি হকচাং শোক্লবা মরমদুম ওইরকই।

# লমদমসিদা রেফ্যুজি লৈবরা

**নবকুমার ওইনা**

**লমদম** অসিদদি রেফ্যুজি হায়বসি শুমাং লীলা ওইনা লৌনবনা য়াল্লমদৌবা মাল্লকই। মীওইবনা নোমেদিক ওইনা কোয়না চৎপা হৈনরকপদগী কাঙলুপ ময়ামসি তোৎশিন্নবা ঙসি ফাওবা লেপ্পা লৈতনা চত্থরিবা প্রোসেস অমনি। সর্ভাইবেল-ওফ-ফিটেষ্টকী কাঙলোন মনুংদা মীওইবা মরক্তা শা-লান কয়া অমসু চত্থদুনা লাকখিবা হৈনবী অমনি। খুন্দা-লৈতাদুনা লৈনরকপদগী লৈঙাক্কী ওইবা শা-লান কয়া অমসু ঙসি ফাওবা চত্থনরি। মসি পুম্নমক মীওইবগী ৱাখল্লোন অমগী মখা পোল্লিবনি।

শা-লানগী মতমদা লৈবাক লান্না চেনশিন্দুনা হিংনবা ময়ূম থাদোক্তুনা চেল্লিবা মীওইশিংবু রেফ্যুজি হায়না খঙনরি। লমদম অসিদা বংলাদেশকী লান্দা চেনশিল্লকখিবা রেফ্যুজি কয়া হৌজিক ফাওবা লৈহনখ্রবনি। মীওই খরদি অৱা লান্দগী চহী তরেৎ খুন্তাকপদা লমদমসি থাদোক্তুনা চৎখিবশিংগী চাদা নাওদানি। লানগী নত্তবদা লমখৈ পরেংদা অথিংবা লৈতবদগী চহী কয়া লিশাং শিৎনা মীতোপ চঙলকপগী ৱাসি অনৌবা নৎত্রে। ঙসিদি চঙশিল্লকখ্রবা মীগী মশীংদুদি লায়বু লায়রি। মী য়ামখৎলকপগী মতিক মখোয়গী তোঙানবা লৈঙাক্কী ওইবা ঙাক্লৌ শাগৎপা ঙল্লক্লে। মসিমক্তদা লৈঙাক অসিনা করিসু তৌবা লৈত্রি। ফজবী ৱা খরা ঙাঙবনা থবক ওইনা ঙম্নদ্রি, মীয়ামসু লৈঙাক্কী ফম্নায়বশিংদা ইনশিন্দুনা লৈরি। মীয়াম্না তৌগদৌবা করিনো খঙশিল্লক্তবা মাল্লক্লি। মতাং অসিদা পনবা য়াবসি মীতোপ হায়রিবশিং অদুদি লৈঙাক্কী য়াথং ঙায়রগা মফম অসিদা চঙলকখিবরা? মখোয়না চঙলকপা ঙল্লিবসি লৈঙাক্লা অয়াবা পীবরা নৎত্রগা মীয়াম্না অয়াবা পীবরা? মীয়াম্না চঙজফম পীবা হায়বসি মীয়াম্না অয়াবা পীবনি হায়বা য়ারকপদুনি। লৈনবা য়ূম, শুনবা থবক পীবসি লৈরো-লাও হায়না কৌশিনবগুম্বনি। ঈরিল তনবা হায়বসি মীতোপ কৌশিনবা মাল্লক্লি। মচা-মশু পীদুনা লৈতানা খুন্দাবা য়াহনখ্রবনি। মসিদি কাঙলুপ অমখক্তগী ৱা নৎত্রে। মীনাই ওইবা লাকপা, ষণ শেনবা লাকপা, লাইরিক তম্বা লাকপা, শা তানবা লাকপা ফাওবা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈনখ্রে। চহী লিশীং অমসিদা করি ওইখ্রবগে নীংশিংনবা ঙমদ্রবা হায়বদুমক ওইখ্রে। হৌজিক্তা ঙাপ্রুম মমৈ খূৎচপ্পীনা চপ্লগা শান্নরকপা হায়বা তারে। থবক ওইনা তৌগদৌবদা চিন্দা শৈরেং থীবা, ৱাকৎ মীফম, লম্বীদা লাউবনা করিসু কান্নবা ফংলোই। থবক তৌগে হায়রবদি থবক মফমদা চৎপা ঙমগদৌবনি। ইশাগী লৌ-ইঙ্খোলদি ইশানা শংগদৌবনি। লৈঙাকসি হায়বা-ইনবা মীনাই ওইনা উবদি লানগনি। চঙশিল্লকপা ঙল্লিবশিংগী শাজৎ অমত্তং মতিক-মঙম মুন্না খঙবা তঙায়ফদনা চঙই। মদুমক খঙবা ঙমদ্রবদি মখোয়বু থিংবসু ঙমফম থোক্তে। ককচেংগা পাউ ফাওনগে হায়বদি ককচেং ওল্লু হায়বসু লৈরিবনি। চঙশিল্লকখ্রবা মীয়ামসি চেঙ খৈবগুম্না খন্দোকপা ঙমগদৌবা লৈত্রে হায়বা য়ারে। হৌজিক তৌগদৌবদি হেঞ্জিন্না চঙহন্দবনি। লুরিবদি মীশিংগী লান্দা মশীং য়াম্বা তান্নরকপা শকমান্নবশিং মশীং খঙদনা কৌশিন্নরকপা য়াওনরকপসিনি। খা নোংপোক মায়কৈদগীদি নোংচুপ মায়কৈদনা ৱাথোক হেনগৎলক্লি। অৱাং মায়কৈদনা লম য়াওনা তোখায়বগী ৱাখল চেন্নরক্লি। মতম অসিদা ম্যান্মারগী রখাইন লমদমদা রোহিংয়া কাঙলুপকী ৱাথোক অসিনা পাউজেল অমা পীরক্লি। ষ্টেট অসিদসু রোহিংয়া কাঙলুপ চঙহনগদ্রা নৎত্রগা চঙখ্রবরা হায়বসিনি। ঙসি চত্থরিবা থৌরাংশিং অসিনদি করিসু খঙবা ঙমখিরোই হায়বা য়ারি। খা থংবা কিলোমিটর নিফু-য়াংখৈদা কনানসু য়ারেক্তুনা শঙলুবা তাদ্রি। হৌখিবা চহী কয়াদা অথিংবা থম্বসু লৈখিদ্রিবা ৱাফমনি। কৈথেলদা মীফম ফম্বনা কান্নবা করিসু লৈশিল্লক্তক্রবনি। মিজোরামগী লালহৌবা য়াওরম্বা মীওই কয়া ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্লা থবক পীখ্রবনি, শক-মান্নবা কয়া মশীং খঙদনা ম্যান্মারদগী চঙলকখ্রবনি। মদুমক খঙহৌদ্রবা, উহৌদ্রবা ষ্টেটসিনা ঙসিসু রোহিংয়াশিং চঙলকপা উগনি হায়বা থাজবা লৈতে হায়নগনি। চঙবদি চঙশিল্লম্লগনি, মশীংদু খঙদবতনি হায়বা তারি। কাঙলুপ অমনা কৌশিনবগুম ঙাঙলকপা হায়বসি মীওই খরদি লৈরবরা হায়বগী চিংনবদু পোকহল্লি। মদুমক থিদোকপা ঙম্বগী লৌশিং লমদম অসিদা লৈত্রি হায়গনি। ঙম্নবসু হোৎনদ্রি, ঙমগদৌবসু মান্দে। করি তৌবগী চঙহনগদৌরিবনো? ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থবকনি, থম্লিংলবসু থম্লিংবা মফমদা থমসনু, ষ্টেট অসিদদি য়ারোই হায়বা তাবনি। ৱা-উতোং মানবা লম্বী অনীসিদা পুশিল্লকপা চিঞ্জাক্লা লৈমিন্নরিবা মীয়ামসি ফাওবা চাবা কোন্নদ্রিবা ফাওবসিদা করিগী ৱাথোক শাগৎপা য়াওগদৌরিবনো? মদুগীসু মথক্তা হেক থংনবা লম অমসু নত্তে। মীওইবগী মীনুংশি অদুদি লৈফম থোকই। চানা থক্নবা নৎত্রগা ফি-রোল ফাওবা য়ূমথোং খুদিংদগী খায়রগা পীরুববু য়াই। ঐখোয়তা নত্তে, য়ু এনসু লৈরি। করিগীদমক অওক-অপা শানরক্লিবনো? লমদম অসিদা লুবা হেল্লক্লিবা ৱাখল্লোন অদুমক্লা লমদম অসিবু লৈতাহন্দবা পোকহল্লবনি।

ঙসিগী মালেমগী রেফ্যুজিগী ৱাথোক ময়ামগী হৌরকফম ৱাখল্লোন করিনা ওইরি হায়বসি পুকচেল শেংনা খন্নবা মান্দ্রি। লাইনীংগা চাবোক্লা মরী লৈনবা মাল্লকপা, কাঙলুপ অমগা কাঙলুপ অমগা মীশিং হেনগৎপা মান্নদবা, মী য়ামখৎলকপদগী মীগী লমহাং কনশিল্লুবা, কাঙলুপকী লাল্লোং য়াৎনরকপা, কাঙলুপকী লৈবাক শাগৎকনি খন্নরকপা, কাঙলুপকী মিংদা অকল-অরিং শিংনরকপা কয়াসিনা লমদম অমবু চনিং তানা লৈবা ঙমহন্নদ্রি। চাইনা লৈবাক্তদি চাবোক্কী ৱা অমসুং লাইনীংগী ৱাফমসি য়াম্না লায়না লাকশিল্লিবগী পাউ তানরিবনি। লমদম অসিদসু মদুমক নৎত্রবসু মদুগা মান্নবা থৌরাং তৌদ্রবদি চাবোক শোনবা কাঙলুপতি মশানা মুৎচনবা শিনবা তারক্কদৌরি। চাবোক্কী লান অমা ফোংনা চত্থবা তারবদি মালেমগী মীয়াম্থু মীনম্বনি হায়গনি। লমদম অসিদা মালেমগী মচি খুদিংগী চৎন-কাঙলোন চৎনহনগদৌবনি হায়বদি লৈতে। লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্লা থম্মোয় শেংনা, পুকচেল চাউথোক্লা, মালেমসি ইমুং অমনি হায়বগী ৱাখল্লোন খঙনা, মীওইবা খুন্নাইবু নুংশিবা ঙম্না হিংমিন্নবা তঙায়ফদনা চঙলক্লি। অপীকপা ৱাখলদা মাগী মাগী ফুরুপকী ৱাখল্লোন্দগী হেন্দোকপা ঙম্নদবা হায়বসি লান অমগী চেবাউ পীবা ওইগদৌরিবনি নৎত্রগা মীগী লৈবাক্তা লান তাশিনবনি হায়না লৌবা তারকপনি। লান্দারকপনি হায়বা খঙনদবদুনি।

মীওইবা ঐখোয়না ইশা ইশাগী ৱাখল্লোন অমমম্না পুদুনা চৎনবদগী ঙসিগী মালেমসি ঈংনা চিক্লা লৈহন্দবনি হায়বসি খঙনদ্রিবা মাল্লক্লি। লাইরিক তম্নরি, মীগী মতুং ইনগে হায়বগী তম্নবা নত্তে, অচুম্বা খঙগে হায়বগীসু নত্তে হায়গনি। অমনা চুমদবা তৌরল্লবদি ঐসু অচুম্বা শাদুনা তুমিন্না লৈথোকপা য়ারক্তে, তিঙ্খাংদি তিঙ্খাংনা হনবা তারকই, ঙমজদ্রগা লমজা পুবা তারকই।

লমদমসিনা ঙসি ফাওবা অপূনবগী শক্তম অমা মপূং ফানা শাগৎপসু ঙমদ্রিঙৈ ৱাথোক্তি চেঙ্গুম শৌগৎলক্লি। লৈঙাক্লা লাকশিনবা ঙমদ্রবদি লমদম অসিগী শক্তমসু মতম চুপ্পগী হঞ্জিনবা ঙল্লরোইদবা শকওং অমদা চৎখিবা য়াবগী খোঙথাং হৌরল্লগনি। য়াম্না লুনা খন্নবা য়ারিবসি কাঙলুপ খুদিংমক্লা অপূনবগী শক্তমদু করি ওইগদগে খঙনদবা মানবসিনি। মাগী মাগী কাঙলুপকী শক্তম ফাওবা ময়েক শেংনা উৎপা ঙম্নদবা ময়াম্মা য়াওনরি। মসিমক লমদম অসিগী লায়না-লাইচৎ হায়বদু ওইরি। পীল্লবসু চাউরবসু মশাগী শক্তম ময়েক শেংদবশিংনা অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা মাঙজিন থাবা ঙমফমদি থোক্তবনি। চাক চারা অমা চামিন্নবনা য়ারোইদৌরি, অমুক-অনীরক ফম্মিন্নবনা য়াগদৌবা লৈত্রি। ৱাখল্লোনগী য়ূম্ফম অমা ময়েক শেংনদ্রি, মশা-মশাগী হৌরকফম ফাওবা লান্না পূনবা হোৎনরি। অদুগুম্বা মীওইশিংদুনা অপূনবগী শক্তম অমা শাগৎপগী থাজবা লৈফম থোক্তে। রোহিংয়াগী ৱাথোক মশাগী শক্তম শাগৎনবগী ওইফম থোকই। ম্যান্মারদা লৈখ্রবা মীতৈশিং করিগী তান্থোকপদা য়াওদ্রিবনো? মরম অদুমক্লা মীতৈশিংদু মুখরকপগী মরমসু ওইফম থোকই। ম্যান্মারদা মীতৈশিংগী পুন্সিগা মীতৈ পাঙলনা মণিপুরদা লেল্লিবা পুন্সিগা চাংদম্নদুনা য়েংবা য়ারি। হিংবা হৈবা খেন্নবা উরি অমনা মুখরক্লি অমনা লৈবাক নিংথৌ ওইরক্লি। উনা-উনা হিংনবগী শাজৎ শাগৎচবা ঙমদ্রবা লূপ অমা ওইরক্লি। ত্রিপুরাদা, বংলাদেশতা মীতৈশিংগী শক্তম অদুক হাক্লা মায় পাকপনি হায়বা য়াদ্রি। মশাগী মরমদম মণিপুরদা মীতৈশিংগী ফীভম করি হায়বা য়াদ্রে। মতম শাংনা হিংবা ঙম্নবগী শাজৎ য়াওরিব্রা হায়বগী ৱাহং লাক্লি। হিংবা ঙল্লোই হায়নবনা অয়াম্বনি। রোহিংয়া লাক্ষ অমতং থাজিল্লবদি মীতৈগুম্বা ফুরুপতি চহী চাম্মা ফাদনা মুৎখিবা য়াবগী থাজবা ফাওনরক্কনি। মসিগুম্না খন্নবগী ৱারৌনিঙাই লৈতে, খুদম অমা পানশিন্দুনা য়েংবনি হায়বতনি। মীনা করি ওইনা উরিবগে হায়বদি খন্থনদনা, হায়বা য়ারে খন্দুনা মানা মানা থোকপা পঙহায় হায়নরকপসিনা মীগী ৱাথোক্তা তোংশিল্লগা লমদম অসিদসু ৱাথোক শাগৎনরকপা তারবদি মীওইবগী খুন্নাই মাল্লক্তবা য়ারিবনি। লমদম অসিনা মৈহৌনা চাক্লকপা য়ারি। হৌজিকসু মসিমনা ফরগনি হায়বা ৱারোইশিন অমা লৈত্রিবনি। মসিগুম্বা ফীভম অমদা রেফ্যুজি লৌশিল্লুবা য়াবা নৎত্রি। মহৌশা খন্নরম্বা লমদম অসিদা রেফ্যুজি চঙলকপগী ৱাফমদুগা ঙসি ওইরকপা য়াবা রেফ্যুজিগী ৱাথোক্লা মান্নরোইদৌরি। লিলা ওইনা শুম য়েংদুনা লৈবা য়ারোই। শিবা নৎত্রগা হিংবা, মুৎপগী ৱাফমগা মরী লৈনরক্লি। মসি ফাওবদা খঙদ্রবা, চগেম পোম্বা চাশিল্লগা তূমথখিবা হায়বদুমক থোক্লবদি মুৎচবা হায়বদুদি মশানা তাজবা, মশানা শিঞ্জবনি হায়গনি।

তৌগদৌবা থবক ৱা ওইনা ঙাঙনদ্রবা মতমনি। মীওই কয়ানা মিৎমাংদা তৌদুনা লৈরবনি, উগদৌবা মীনা উবা ঙমজদবতনি হায়রক্কনি। য়ু ফারিবসি য়ু থকপা মী য়াওবদগীনি। য়ু পীথক্লিবশিংনা য়ু থক্লিবশিংদু নুংশিবগী নত্তে। হাত্তোক্নরিবা ওইনা উরক্লি, য়ু থক্তবশিংনা নোক্লা-নোক্লা লম কন্নরি।

চীংগী ঙমখৈ চীংমীনা ঙাকপা ঙল্লক্ত্রবনি। রেফ্যুজি চঙলকপসু ঙাকপা ঙমদ্রবনি। রেফ্যুজি চঙলক্কনু হায়না মেজোর খুন্দা লাউবনা য়াগদৌবা লৈতে। মেরা থাসিদা হৌ হৌ চোঙলিঙৈ, লাংবন থাদা হৈশোই কৎলিঙৈ রেফ্যুজিশিংনা শাজিল্লবা চে পায়রগা লমদমসিগী মপুনি হায়রকপদা লাই লাক্লগা কল্লদৌবা লৈতে। লাই খুদিং মান্নদে।

উমং লাইদি রেফ্যুজিশিংগী মপা-মপুনি হায়রক্কনি।